মফম খঙদনা লৈরকখিবা পাউমী জমল খাসোগ্গি শিরে হায়না সাউদি অরাবিয়ানা ফোঙদোকখ্রে

জেদ্দা, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

মফম খঙদনা লৈরকখিবা ৱাশিংতন পোষ্টকী পাউমী জমল খাসোগ্গি ইষ্টানবুলনা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রে হায়না সাউদি অরাবিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি প্রেস এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ইষ্টানবুলগী কোন্স্যুলেটতা জমল খাসোগ্গিনা থেংনখিবা মীওই খরগা নিংঙাই শংদাইনরকপদগী খৎন-চৈনবা থোরক্তুনা পাউমী অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চেন্নবা মীওই ১৮ ফারে অমসুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সাউদি অরাবিয়ানা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না সাউদি প্রেস এজেন্সীদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসতা মথৌ তৌদুনা লৈরকখিবা সাউদি জর্নেলিষ্ট খাসোগ্গি ওক্টোবর ২ দা ইষ্টানবুলগী কোন্স্যুলেটতা থবক অমা চৎখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা দেপ্যুটি ইন্টেল্লিজেন্স চীফ অহমদ অল অশিরি মফম লৌথোক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা ইন্টেল্লিজেন্স ওফিসল অহুম- মহমদ বিন সলে অল-রুমায়া, অব্দুলা বিন খালিফা অল-সায়া অমদি রসদ বিন হমিদ অল-মহমদিসু মফম লৌথোক্লে হায়রি।

খাসোগ্গি লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবগীদমক নিংথৌ সলমাননা মিনিষ্ট্রিএল কম্মিটি অমা শেম্লে। ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন সলমাননা লুচিংগদবা টিম অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা থা অমগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়রি।

কম্মিটিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংগী মনুংদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর, ফোরেন মিনিষ্টর, জেনরেল ইন্টল্লিজেন্স অমসুং ষ্টেট সিক্যুরিটিগী মকোক য়াওরি। সাউদি ইনভেষ্টিগেটরশিংগী টিম অমা ইষ্টানবুলদা থাখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মতাংদা টর্কিশ দিটেক্টিবশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হৌরে। ৱাশিংতন পোষ্টকী পাউমী লৈখিদবগী মতাংদা মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা ইনভেষ্টিগেসন চথগনি হায়না সাউদি অরাবিয়ানা মমাঙদা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, জমল খাসোগ্গি লৈখিদবগী মতাংদা হ্বাইট হাউসনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সরা সেন্দরসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, খাসোগ্গি লৈখিদবগী পাউ তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোকই। ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমদি মরী-মতাশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি।

খাসোগ্গি লৈখিদবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদবা ইনভেষ্টমেন্ট কনফরেন্স অমদা যু কেগী ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টিভেন নুচিন অমসুং ইন্টরনেসনল ট্রেদ সেক্রেটরি লিয়ম ফোক্স য়াওররোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ওক্টোবর ২৩ দগী ২৫ ফাওবা সাউদি অরাবিয়াগী কোনুং রিয়াধতা পাঙথোক্কদবা ইনভেষ্টমেন্ট কনফরেন্সতা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌরে হায়না যু এসকী ট্রেজরি সেক্রেটরি অমসুং যু কেগী ইন্টরনেসনল ট্রেদ সেক্রেটরিনা তোঙান তোঙান্না থাদোরকপা ৱারোলশিংনা ফোঙদোকখি। রিয়াধকী মীফম অদু ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন সলমাননা শিল্লগা পাঙথোক্কদবনি।

এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ইস্লামবাদ, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী মতিক ময়াই লৈরবা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী মতাংদা পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদা লাক্লম্বা মতমদা মিসাইল সিষ্টেম লৈবা য়োনবগী ৱাফম য়ানবা পুরকখিবনি। থা অসিগী হৌগৎলকপদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা এস-৪০০ ত্রিম্ফ মিসাইল সিষ্টেম লৈবা য়োনবগী মতাংদা দোল্লর বিলিয়ন ৫.৪৩ গী দিফেন্স দিল অমা খুৎয়েক পীনখি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মিসাইল সিষ্টেম অদু লৈখিবা থোক্লবদি পাকিস্তান অমসুং চাইনাগী মায়কৈদা শোক্লকপা য়াবা মরম্না হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তানি ফোরেন ওফিসনা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি।

রসিয়া অমদি চাইনাগী মথংদা মিসাইল সিষ্টেম অসি লৈবা লৈবাক ইন্দিয়ানা অহুমশুবা ওইরগনি। দিফেন্স সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম অমসুং বোলিষ্টিক মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। থৌওং অসিনা খা এসিয়াগী খুৎলায়গী অনৌবা লমজেল অমা তান্নহনবগা লোয়ননা লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লকপা য়াই হায়না পাকিস্তানি ফোরেন ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দোন পাউচেদা ফোঙলকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, পাকিস্তান্না বোলিষ্টিক মিসাইল সিষ্টেম শেমগৎপা ঙম্বগী ফীভম লৈরে। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা করিগুম্বা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈখিবা থোক্লবদি যুন্নোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা নৌনা খুৎলায়গী লমজেল তান্নরক্লবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই।

লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপকদবা মিসাইল সিষ্টেম অসিনা মতম অমুক্তদা ক্রুজ মিসাইল, বোলিষ্টিক মিসাইল, এয়রক্রাফ্ট, দ্রোন অমদি অনমেন এরিয়ল ভেহিকল (যু এ ভি) পুম্নমক কাপথবা ঙম্মী। নোংচুপ লৈবাক্কী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংনা ফাওবা এস-৪০০ ত্রিম্ফ মিসাইল সিষ্টেমবু কিনা লৌনরি হায়না খুৎলায়গী মরমদা নৈনরিবা অখঙ-অহৈশিংনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তান্দা নুপী ৱার্কর অমদা হিজাব শীজিন্নগেরা থবক তোক্কেরা হায়না হংখ্রে

করাচি, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্না পাকিস্তান্দা অহানবা ওইনা থোকপা থৌদোক অমদা লৈবাক অদুগী সোফ্টৱায়র ফার্ম অমদা থবক তৌবী নুপী অমদা থবক মফমদা হিজাব শীজিন্নবা থাদোক্লবা নৎত্রগা থবক্তগী রিজাইন তৌনবা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অদুনা সোসল মীদিয়াদা চরাংনবা থোকহন্দুনা ক্রিয়েটিভ কিওস কম্পেনি কৌবা কম্পেনি অদুগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসর জৱাদ কাদির রিজাইন তৌখ্রে।

নুপী অদুদা মহাক্কী লাইন মেনেজরনা হিজাব য়াওদ্রবা মতমদা মফমদুদা থবক তৌবা য়াগনি। হিজাব শীজিন্নবনা মীপুং তিংনা থবক মফমদা থবক শুবা য়াহল্লিবা কম্পেনি অদুগী ইমেজদা শোকহল্লে হায়খি।

অমরোমদা, নুপীদুনা মহাক মফমদুদগী থবক তোকপা তারবসু ইস্লামিক বেঙ্ক অনীনা মঙোন্দা অতোপ্পা থবক পীগে হায়রক্লে হায়না ফোঙদোকখি। কাদিরনা অহানবদা কম্পেনি অদুগী সী ঈ ও ওইনা থৌদোক অদুবু 'এপোলোজি' অমা থোক্তুনা ইরায় লায়না উহন্নবা হোৎনখি। মহাক্লা হায়খি, ঙরাং ঐখোয়গী ষ্টাফকী সিনিয়র মেম্বর অমনা কোলিগ অমদা প্রোফেসনল ওইদবা অমসুং ইথিক্সকা চানদবগীদমক্তা রিজাইন তৌনবা হায়খি। নুপী কোলিগ অদুদা মহাক্কী থৌওং অদুনা মহাক্কী পর্ফোমেন্সতা অকায়বা পীরে হায়না খঙহনখি। নুপী ৱার্কর অদুনা অদুগুম্বা ৱাফম হায়রিবা মেনেজর অদুগী মোরেল জজমেন্ট অদুক্কী মতিক শোল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কাদিরনা কোলিগ অমদা অদুম্না অৱাবা পীখিবগী থৌদাং মহাক্লা মপুং ফানা লৌরি হায়খি।

কাদিরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, ভিক্টিম অদুদা রেজিগনেসন ৱিথদ্রো তৌনবা অমসুং মহাক্কী থবক হৌনবা হায়খ্রে। থৌদোক্তুগী মতাংদা ফেসবুক পোষ্ট কয়াদা নুপীদুগী মায়োক্তা অচান মীরাই খাইবগী থৌওং চথবীরে হায়না ফোঙদোক্লুখি। সোফ্টৱায়র ফার্ম অদুগী ফেসবুক পোষ্ট অমদা থবক মফমদা অচান মীরাই নাইবগীদমক্তা কাদিরদা মফম থাদোক্লুবা খঙহনখ্রে হায়রি।

কাদিরনসু 'এপোলোজি' খল্লা মতিক চাররোই হায়রদুনা মহাক সোফ্টৱায়র ফার্ম অদুগী সী ঈ ওগী ফমদগী রিজাইন তৌজরে হায়না বোর্দ মেম্বরশিং অমসুং এসোসিএটশিংদা থাখিবা ঈ-মেল অমদা ফোঙদোকখি হায়রি।

মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা সমুদ্রগী থোং চাইনানা শঙ্গারগনি

বৈজিং, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

মালেমগী সমুদ্রদা শেম্বা খ্বাইদগী শাংবা থোং চাইনা অমসুং হোংকোং অনীগী মরক্তা শম্নদুনা থা অসিগী ২৪ দা শঙ্গারগনি হায়না চাইনাগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী ওইরিবা জিনহুৱাগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০০৯ গী দিসেম্বর থাদা শেম্বা হৌখিবা মল্টি বিলিয়ন দোল্লরদা চঙখিবা কিলোমিটর ৫৫ শাংবা সমুদ্রদা শাবা হোংকোং অমসুং চাইনাগী মফমগা শম্নবা হোংকোং-ঝুহাই- মেকাও ব্রিজ অদু থা অসিগী ২৪ দা মীয়ামদা শিন্নরগনি হায়না ঙসি রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। থোং অসিনা হোংকোং অমসুং চাইনাগী ঝুহাইগা মমাঙদা চৎনরকপা লম্বেলদা চঙখিবা পুং ৩ গী মতম অদু শুপ্নগী পুংখায় অমগী মনুংদা য়ৌহল্লগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা চেরোল অমদা কুমজা ২০১৬ তা পানখিবা অদুদা থোং অসিদা নোংমদা চখোক চৎশিন তৌরিবা ভেহিকল ২৯,১০০ গী পান্দম থমখিবনি। অদুবু কুমজা ২০৩০ দা চাদা ১২ হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা সিঙ্গাপোরগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর টিও সী হিনগা ৱারী শানখ্রে

সিঙ্গাপোর, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (এ এস ঈ এ এন) কী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি সিঙ্গাপোরনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকপদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমন অমসুং মীফম অদুগী য়ুম্মু লৈবাক ওইরিবা সিঙ্গাপোরগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর টিও সী হিনগা উনখ্রে।

সিঙ্গাপোরনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এ এস ঈ এ এনগী ১২ শুবা দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদি মঙারকশুবা দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী অহেনবা মীফম অদুদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লৈরিবা দিফেন্স মিনিষ্টর পুম্নমক্কা শরুক য়াখি।

ঙরাং ওক্টোবর ১৯ দগী হৌরগা ঙসি লোইশিনখিবা নুমীৎ নীনিগী ওইবা এ এস ঈ এ এনগী মীফম অদুদা কাঙলুপ অসিগী মিনিষ্টরশিং অদুগী মথক্তা ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা, জপান, ন্যু জিলেন্দ, সাউথ কোরিয়া, রসিয়া অমসুং যুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মীহুৎশিংসু য়াওখি। ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা আসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অদুগী নাকলদা তোঙান্না সিঙ্গাপোরগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর টিও সী হিনগা উনখিবনি।

ঙসি অথেংবদা সিথারমননা মহাক্কী সিঙ্গাপোরগী কাউন্টরপার্ট দিফেন্স মিনিষ্টর এনজি এঙ হেংগা অথেংবদা উন্নগদৌরি। ইন্দিয়া অমসুং সিঙ্গাপোর লৈবাক অনীনা টেররিজমগী মখল খুদিংগী ওইবা থৌদোকশিং অদুবু য়েংনিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা মপুং ওইবা টেররিজম নমথনবগী থবক থৌরম পায়খৎপদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবগী ৱারেপ অদুদা য়ান্নবা পুরকখি।

আসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্টরস মীটিং (এ দি এম এম) গী মীফম অদুনা অপূনবা ৱারেপ অমা লৌদুনা শরুক য়ামিন্নরিবা লৈবাকশিং অদুগী লৈঙাক্কী ওইবা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা অমগা অমগা মতেং পীনদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা লান্থেংনবা অমদি লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা অকি-অখঙ পোকহন্দনবগী খোঙথাং পায়খৎপগী ৱাফম অদুসু য়ান্নবা পুরকখি।

সিঙ্গাপোরনা য়ুম্মু ওইদুনা এ দি এম এমগী সমিট অসি কুমজা ২০০৬ তা অহানবা ওইনা শেমখ্রবা মতুং কুমজা ২০১০ দা ফমখিবা অহানবা মীফম অদুগী য়ুম্মু ওইখিবা আসিয়ানগী লৈবাক ১০ গী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা শরক য়াদুনা মীফম অদুনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

চাইনানা নুমীদাংদা মৈ ঙালহন্নবা খুৎশেমগী থা লোঞ্চ তৌরগনি

বৈজিং, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):

চাইনাগী খা নোংচুপথংবা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা সিচুৱানদা লৈবা সেংদুদা শেমগৎখিবা খোঙথাং অমগী মতুংইন্না নুমীদাংগী মতমদা খুৎশেমগী ওইবা থা লোঞ্চ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে চাইনা দেলিদা পীরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না চাইনাগী তোঙান তোঙানবা অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট লেম্পশিংগী মহুৎ শিন্দুনা অমদি মৈদা চাদিং তৌবা অদু হন্থহন্নবগী পান্দমদা খুৎশেমগী ওইবা থা কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা থাগৎতুনা লম্বী অমদি অতোপ্পা মফমশিং নুমীদাংগী মতমদা ঙালহল্লগনি হায়রি।

'ইলুমিনিয়েসন সেটিলাইট'শিং চাইনাগী সেংদু সিটিদা শেমগৎতুনা মালেমগী ওইনা অহানবা খোঙথাং অমদা নুমীদাংগী মতমদা থানা পীরিবা মৈঙাল অদুদগী শরুক নিপান হেন্না ঙানগদবা খুৎশেমগী ওইবা থা (আর্টিফিসল মুন) থাগৎনবা শেম-শারি।

সিচুৱানদা লৈবা জিচাং সেটিলাইট লোঞ্চ সেন্টরদগী কুমজা ২০২০দা অহানবা ওইনা খুৎশেমগী ওইবা থা অদু থাগৎনবগী থবক থৌরম পুম্নমক শেম-শারি। করিগুম্বা অহানবা খোঙথাং অদু মায় পাক্লবদি মদুগী মতুং কুমজা ২০২২ দা খুৎশেমগী ওইবা থা অহুম মখা তানা থাগৎকনি হায়না মফম অদুদা লৈরিবা টিয়ান ফু ন্যু এরিয়া সাইন্স সোসাইটিগী লুচিংবা ৱু চিনফেংনা ফোঙদোরকখি।

প্রোজেক্ট অসি অহানবা ওইনা সেংদু সিটিদা থা অসিগী ১০ দা পাঙথোকখিবা ইনোভেসন অমসুং এন্ট্রেপ্রেন্যুরশিপ কনফরেন্সতা মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোকখিবনি।

যু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৭০ রোম চঙগদবা প্রোজেক্ট অসিনা সেংদু সিটিগী অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা ষ্ট্রিট লেম্প পুম্নমক মহুৎ শিন্দুনা স্কৱর কিলোমিটর ৫০গী মনুংদা লৈবা মফমশিং নুমীদাংগী মতমদা থাবলগী মঙালদগী শরুক নিপান হেন্না ঙালহনবগী পান্দম লৈরিবনি। প্রোজেক্ট অসিনা মায় পাক্লবদি মালেমগী ওইনা য়াম্না চাউনা মায় পাকপা অমা ওইরগনি হায়খি।

অফঘানিষ্টান্দা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী ভোট থাদনখ্রে, বোম পোকখায়বদা ১ শিরে, ৪৮ শোক্লে

কাবুল, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টান্দা চরাংনবা, শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী মরাল শিনবা অমসুং টালিবান্না কিহনবা কয়াগী মরক্তা ঙসি লৈবাক অদুগী মীয়ামনা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী ভোট থাদনখ্রে। ঈরাংনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রেটেজিক সাউদর্ন প্রোভিন্স কান্দাহারদদি ভোট য়েথোকখ্রে হায়রি।

মীখলগী প্রোসেস অদুবু শৌগৎতুনা লাকখিবা যুনাইটেদ নেসন্সনা অফঘানশিংদা মখোয়গী কনষ্টিট্যুসনল রাইটশিং শীজিন্নবগী খুদোংচাবা শীজিন্নবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা মীখল অদু সেফ অমসুং সিক্যুঅর ওইবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা পাঙথোক্লুবা তকশিনখিবনি।

কিহন-খঙহনবা অমসুং মীশি-মীনা য়াওবা ঈরাংশিং মরুওইনা শগোলশেন নুমীৎতা কান্দাহারগী পুলিস চীফ হাৎখিবা মতুংদা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোটরশিং ভোট থাদবা থোক্লক্ল রোইদ্রা হায়না ওফিসলশিংনা ৱানখি।

পুলিস চীফ হাৎখিবদুনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিশিংনা তঙাইফদনা প্রোভিন্স অদুগী মীখল চয়োল অমা য়েথোকখ্রে। টালিবান মিলিটেন্টশিংনসু মীয়ামদা মপান্দগী শিল্লকপা প্রোসেস অদুদা শরুক য়াদনবা তৎতনা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীখলগী সেন্টরশিংদা এটেক চথগনি হায়না চেকশিন ৱা পীখি। লৈবাক শিন থুংনা পুলিস অমসুং লান্মী লিশিং কয়া ঙাক শেলহনখি। অদুবু মীখলগী মাঙওইননা মীখলগা মরী লৈনবা এটেকশিংদা কেন্দিদেট মাপন হাৎখ্রে অমসুং মীওই চা কয়া শিখ্রে অমসুং অতৈ চা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি মীখল নুমীৎতসু লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪৭ না অশোক অপন নংখ্রে।

লৈবাক্কী কেপিটেল কাবুল অমসুং কাপিসা অমদি লোগর (ইষ্ট) অমসুং ঘজনি (সাউথ) প্রোভিন্সশিংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখি।

কাবুলদা ভিক্টিমশিং ইটালিয়ন নন-প্রোফিট ইমর্জেন্সিনা চলাইবা হোস্পিটাল অমদা ভিক্টিমশিং হোনখি হায়না ওর্গনাইজেসন অদুগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর দেজন পানিকনা ঈফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ভিক্টিম ৪৮ পুরকখিবগী মনুংদা ৩৩ না হোস্পিটাল অদুদা এদমিট তৌখি অমসুং ১৪ না আউট পেসিএন্টশিং ওইনা ত্রিটমেন্ট পীখি অদুগা অমনা শিরগা পুরকখি হায়না পানিকনা মখা তাখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা ফোঙদোকখিবদা, মীখলগী প্রোসেস মনুংদা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফংগৎনবা অফগান লৈঙাক্লা ক্রুপ ৭০,০০০ দিপ্লোই তৌদুনা হান্না লাউথোকখিবা মশিংদগী ১৬,০০০ হেনগৎখি। প্রোভিন্স ৩৪ গী মনুংদগী ৩২ দা পোল্লিং ষ্টেসন ৮,৯০০ হংখি অমসুং লৈবাক শিন-থুংনা অয়ুক পুং ৭ তা ভোট থাদবা হৌখি। তৌইগুম্বসুং পোল্লিং ষ্টেসন খরদদি অয়ুক পুং ৯ দা পোল্লিং হৌখি অরমসুং অতৈ খরদনা মদুদগীসু থেংনা ভোট থাদবা হৌখি হায়না নাজিব দানিশনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কংফাল অমসুং ঈশিংদা তাবা য়াবা প্লেন চাইনানা টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

বৈজিং, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী) :

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কংফাল অমসুং ঈশিংদা তাবা য়াবা প্লেন চাইনানা অহানবা ওইনা টেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

চাইনাগী ওইনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী টেক্নোলোজি য়াওদনা মশা মথন্তা পুথোকচখিবা ঈশিং অমসুং কংফাল অনীমক্তা তাবা য়াবা এয়রক্রাফ্ট এ জি-৬০০ ঙসি মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে হায়রি।

চাইনাগী এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন্না শেমজবা অমসুং পুথোকখিবা এয়রক্রাফ্ট অদু লৈবাক অদুগী হুবৈ প্রোভিন্সকী জিংমেনগী এয়রপোর্টতগী পাইখৎলগা মফম অদুমক্কী ঈশিংগী মফমদা মায় পাক্লা লেন্দিং তৌবা ঙমখি। 'কুনলোং' হায়না মিংথোনবা এয়রক্রাফ্ট অদু ক্রু মেম্বর মরিনা কংফালদগী পাইখৎখ্রবা মতুং ঈশিংদা মায় পাক্লা তাবা ঙমখিবনি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, Thoubal, Govt. of Manipur

Ref:- Mut. Case No. 458/AS&SO/TBL ***Dated : 26/09/2018***

Moirangthem Memthoi Devi W/o (L) M. Biren Singh of Langathel Moirang Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

(Late) Moirangthem Biren Singh S/o (L) M. Yaima Singh of Langathel Moirang Leikai.

-O.P.P.

/NOTICE

Dt. 20/10/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি- তহশিল খোঙজোম খুন নং ৪৫-লাঙথেল পাট্টা নং ২৫৯ (অরিবা) পাট্টা নং ৩৫১ (অনৌবা) দাগ নং ২৮৮ এরিয়া ০.১৪৮০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার ২শুবা মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারি মোইরাংথেম মেমথোই দেবীগী মমীংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন (য়েৎনিংবা) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/2305/21

SERUS

Head Office : Sagolband Bijoy Govinda Akham Leikai, Opp. SBI ATM

JOB VACANCY

Sl. No.	Name of Post	No.of Post	Sex	Minimum Qualification	Monthly Renumeration
1.	Sales Executive (Paints)	1	M	XII or above	4000-15000
2.	Pharmacist	2	M	B. Pharm / D. Pharm	5000-20000
3.	Dairy Farm Supervisor (Sajik Phanba, San Sennaba)	3	M	VIII or above	6000-25000

N.B.:
(1) মথক্কী Sl. 3 গী অসিদি Wangjing Tentha Khunou দা লৈবা SERUS কি Dairy Farm দা Farm শেন্নরগা লৈগদবনি।
(2) Prescribed application form and detailed information may be obtained from the office during office hours.
(3) Please bring all the original documents for verification.
(4) Last date of form submission : 27th October 2018 (Saturday)
(5) Date of Interview: 29th October 2018 (Monday)

Sd/-
Human Resource
7640081365
Contact :- 10 a.m to 4 p.m.

HL-P/2281/19-24 Oct.

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3661/7/10-5/11

EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE FOR SESSION 2018

CLASS - X (BOSEM)

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

SUBJECT:
MATHS, ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE & HIGHER MATHS

CLASSES STARTING FROM 5TH NOVEMBER, 2018

HL-B/4885/27/9-23/10